থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# এন আর সী লিষ্ট ফোঙদোকখ্রবা তুংসিদা

মতমদু ঐহাক য়ু পিদা লৈরি। অসামদা ‘ওল অসাম ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন’গী লিচিং মখাদা মীরৈবাক মচা তানবই ঈহৌ অমা কন্না হৌখি। ঈহৌ অদুবু ফোরেনর্স ইস্যু হায়না খঙনখি। ঈহৌ অদু মণিপুরদসু য়ৌরকখি। মহৈরোয় কয়াগী একাদেমিক ক্যালেন্দর কায়হন্দুনা চহী মাঙবা য়াওনখি। পুন্সি ফাওবা মাঙহনখি। অসামদদি মহৈরোয় ৮৫৫গী পুন্সি মাঙখি হায়, ১৯৭৯দগী ১৯৮৬ ফাওবই ঈহৌদুদা। মণিপুরদগী শক্ল ইরবা পোলিটিসয়ন, রাজকুমার দোরেন্দ্র ঈহৌ অদু ঈংথহন্নবা হোৎনবদা মহাক্লা লৌখিবা থৌদাং, মিদিয়াদা সেগাক কায়খিবনি। মমিং মথা কৃপ্পা পন্দুনদি ইনিংদ্রে, সেন্তরগী লুচিংবশিংনা নোর্থ-ইষ্ট-ইন্দিয়াদগী, মরু ওইনা মণিপুরদগী পোলিটিসিয়ন অমনা ইনফ্লুয়েন্স পোলিটিসিয়ন অমা ওইরকপদু পামদবগীনি হায়নখি - দোরেন্দ্রবু মণিপুরগী চীফ মিনিষ্টর ওইবদগী তোকহল্লগা, নোরৱে’দা ইন্দিয়াগী এম্বাসেদর ওইনা থারবনি হায়দুনা দিল্লিদা কৌখিবদু। নোরৱে’দা এম্বাসেদর ওইনা চৎপই লম্বীদুদা লমহাঙ অমদা পন্থুং ওইরমদুনা লম্বীদু ‘নো-ৱে’ ওইরম্লে হায়দুনা মীয়াম্না করেম্ননা ঙাঙনখিবদু ঙসিসু মরক মরক নীংশিংনরি।

ঙসি ঐনা ফরক্তা, ৱারী অসি নীংশিংলক্লিবা - হৌজিকসিগী ওইনা খ্বাইদই শাবা, হোট-ন্যুজ ওইরিবা, এন আর সী (নেসনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজেন্স) কী পাউ অসি তাবদনি। চহী তরুক হৌখিবা অকনবা ঈহৌদুগী মহয় ওইনা, ইন্দিয়া গভর্ণমেন্ট অমদি ওল অসাম ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন অনীগী মরক্তা খূৎয়েক পীনখিবা ‘অসাম একোর্দ’ অদু লৈরমদ্রবা, এন আর সীগী ৱাফম তানরম্লোই। ঈহৌদুনা পুথোকখি অসামগী মরুওইবা লুচিংবা অনী - প্রফুল্ল কুমার মহন্ত অমদি ভৃগু কুমার ফুকন, লোয়নন অসামগী রিজনেল পোলিটিকেল পার্টি ‘অসোম গন পরিষদ’। কুমজা ১৯৮৫দা খূৎয়েক পীনখিবা চে অদুগী মরুওইবা য়ান ৱারোল অমনি - কুমজা ১৯৫১দা অসামদা লৈরম্বা, অসামগী অশেঙবা য়েলহৌমী অমদি কুমজা ১৯৭১ ফাওবদা হেনগৎলকখিবা মখোয়গী মচা-মশু-চাদা-নাউদাশিংগী মশক-মমিং খঙদোকপা।

নেসনল রেজিষ্টার ওফ সিটিজন্স-এন আর সী, হায়বসি কুমজা ১৯৫১দা থিখিবা ইন্দিয়াগী মীকোক মশীং অদুদা য়াওবা, মতমদুদা অসামদা লৈরম্বা অশেঙবা ইনিদয়নশিংগী মমিং য়াওবা লিষ্ট অদুনি। কুমজা ২০১৪-১৬কী নৌনা শেমদোক্লবা এন আর সী হায়বসিনা - কুমজা ১৯৫১গী লিষ্ট অদুদা য়াওখিবা মীশিং অদুদগী মখা শমথরকপা, মখোয়গী মচা-মশু (চারোন-শুরোন) শিংগী মিং য়াওবা, কুমজা ১৯৭১গী মার্চ ২৪গী অহিং নোংয়াই ফাওবদা পোকখিবা মীশিংগী মমিংগী লিষ্ট অদুনি।



চহী ৩২ চূপ্পা থওইরুদ্রবা অসাম একোর্দ থবক ওন্থোক্লবা, কাইনথংদা সুপ্রিম কোর্টকী য়াথং মতুং ইন্না, লুপা ক্রোর ১২২০ চঙনা, হৌখিবা চহী মঙা চূপ্পা নেসনল রেজিষ্টর ওফ সিটিজেন্সকী ফাইনেল লিষ্ট অমা ফোঙননবা হোৎনরক্লি। জুলাই ৩০, ২০১৮ এন আর সীগী ফাইনেল দ্রাফ্ট-লিষ্ট অদু ফোঙদোরক্লে। ঙসিসি অচৌবা ৱাথোক অমা ওইররে।

এন আর সী অপদেট তৌবদা নৌনা মিং হাপচিনহন্নবগীদমক তঙায়ফদবা ৱাফম অনীখক খ্বাইদগী মরু ওইখি। মদুদি - কুমজা ১৯৫১দগী ১৯৭১ ফাওবদা ফোঙখিবা ইলেক্তোরেল রোলশিংদা মখোয়গী মমিং য়াওই হায়বগী প্রমান ওইবা চে। মদুবু, লিগেসি দাটা হায়না খঙনৈ। লিগেসি দাটাদা য়ালদবা মিং ওইরগনা, মহাক মতমদুদা/মফমদুদা দাটাদুদা য়াওরিবা মীশক অদুগী মচানি-মশুনি হায়বগী শক্তাক চে, কুমজা ১৯৭১গী মার্চ ২৪গী অহিং নোংয়াই ফাওবগী মনুংদা লৈঙাক্কী এজেন্সি অমনা ইস্যু তৌখিবা চে অমা পীশিনগদবনি। হায়রিবা চে-চাংশিং অসিগা লোয়নন, লিষ্ট অসিদা য়াওহন্নবগীদমক হায়জ-চে (এপ্লিকেসন ফোর্ম) অমা পীশিনগদবনি।

অসিগুম্বা এপ্লিকেসন ফোর্ম ৩,২৯,৯১,৩৮৪ পীশিল্লকখিবদু শুপ্নগী ২,৮৯,৮৩,৬৭৭ খক অচুম্বনি হায়না ফোঙদোরকখি। অদুনদি, অসামদা হৌজিক ৪০,০৭,৭০৭ আইন্না য়াদবা মওংদা লৈরে হায়বসি প্রমানগা লোয়নন মশক মমিং খঙদোক্লে হায়বনি।

হৌজিক লুরিবদি মখোয় লাক্ষ নিফুরোমগী মরায়বক কমদৌগদগে হায়বসিনি। মখোয় কনা কনানো হায়দোক্তবই ৱাতনি, খঙনরবা ৱাফমনি, মখোয় পূম্নমক ১৯৭১, ইন্দিয়া-পাকস্তান লানদুগী মতুংদা, বাংলাদেশ শেম্বা হাক্তক্তা ইন্দিয়া মনুংদা চেনশিল্লকখিবা (বাংলাদেসি মুসলিম) শিংনা অয়াম্বনি। চহী নিফু-তরেৎ-নিপান চূপ্পা লমদমসিদা খুন্দা লৈতা লৈরক্লবা মখোয়বু মরম বাংলাদেশ’তা করম হলহনগনি? বাংলাদেশকী লৈঙাক্লসু হরাউ হরাউ লৌশিনগদ্রা? কুমজা ১৯৭১গী মতুংদা অসামদা লৈরে হায়বা শক্তাক-চেগা লোয়নবা এপ্লিকান্ট মশীংদুনি ফোরটি-লাক্ষ-প্লস! ইমুংদুদা তশেংনা লৈরমগদবা ঙসিগী অশেংবা শক্তমদি হেন্না মীপাইনীংঙাইনি। শরুক অনী হেল্লম্বসু কনানা খঙবা! মমতা বেনর্জিনা ৱারিবসু, বেঙ্গোলদা চেনশিল্লক্দ্রা হায়বগীনি। য়ূমলোন্নবা নোর্থ-ইষ্ট-ষ্টেটশিংনদি করিগী লাংতক্লরম্লোই। অসামখক্তদা নত্তে, ইল্লিগেল মাইগ্রেন্টশিংগী অৱা-চৈথেং ফংলিবা, মণিপুরসু অমনি। প্রোব্লেম অসি খঙদবা নত্তে তৃনমুলসু, কোংগ্রেস’সু। অদুমক্তদা এন আর সীগী ৱাফমসি ‘বি জে পিনা ভোট ফংনবা তৌবা অমোৎপা পোলিটিকল গেমনি’ হায়বা মমতাগী ৱাঙাঙদু লাল্লে হায়জহনগদবনি অসামগী বি জে পি লীদরশিংনা।

ওইনীংবদু ওইরসনু, এন আর সী লিষ্ট হৌজিক্তি ফোঙদোকখ্রবনা মখা তারকপা থৌদোকশিং পূন্না থেংনমিন্নবনা পোলিটিকল পার্টি পূম্নমক কোক-চূমশিন্নফম থোকপনি। ইল্লিগেল মাইগ্রেন্টনি খঙলবশিং কদায়দা কমদৌনা থমগদগে? হাক্তোক্লবসু য়াবা নত্তে, মোদি মতোমতগী প্রোব্লেম নত্তে, রাহুলগীসু য়াওরিবনি।

লৌশিং পুক্কৈ

# ব্রেষ্ট অমসুং প্রোষ্টেট কেন্সরগী রিস্ক হন্থহনবা

নুমীদাং তুমগদবা পুং অনীরোম ৱাৎলিঙৈদা চাক চাগদবনি অমসুং চাক চাবা হেক তোকপগা তুমশিনবা ফৎতে হায়বা ষ্টদি অমদগী খঙবা ঙম্লে। নুমীদাংগী পুং ৯ মমাঙদা, তুমগদবা পুং অনীরোম ৱাৎলিঙৈদা চাক চাবনা ব্রেষ্ট অমসুং প্রোষ্টেট কেন্সরগী রিস্ক হন্থহল্লি হায়রি।

স্পেনদা লৈবা বার্সেলোনা ইনষ্টিট্যুট ফোর গ্লোবেল হেল্থকী মেনোলিস কোভিনাসনা লুচিংদুনা চথখিবা ষ্টদিগী রিপোর্টনা হায়খি, মীওইবনা তুম্বা চাবগী মতম নাইরবদি কেন্সরগী রিস্ক হন্থরকই। সর্কাদিয়ন রিদম কায়হন্দবা হায়বসি য়াম্নমক তঙাইফদবা অমনি। মীওইবনা অরাম- খৌরাংবা ফাওরক্লিবা, তুম্নিংলক্লিবা অমসুং খোঙ হাম্নিংবা ফাওরক্লিবা পুম্নমক সর্কাদিয়ন রিদমগী শরুক অমনি।

ইন্টরনেসনল জর্নেল ওফ কেন্সরদা ফোঙলকখিবা ষ্টদি অদুগীদমক মেনোলিস কোভিনাসনা লুচিংবা টিমনা ব্রেষ্ট কেন্সর পেসেন্ট ১,২০৫ অমসুং প্রোষ্টেট কেন্সর পেসেন্ট ৬২১ গী মরমদা কুপ্পা নৈনরম্মী। ষ্টদিদা শরুক য়াখিবা মীওইশিং অদুগী চাবা থকপা অমসুং তুম্বগী মওং মতৌ কুপ্পা য়েংশিনবদা কেন্সর পেসেন্টশিং অয়াম্বা মতমদা নুমীদাং থেংনা চাক চারম্বা থেংনখি। নুমীদাং থেংনা থবক শুবা মীওইশিং সর্কাদিয়ন রিদম নৎত্রগা বাইওলোজিকেল রিদমদা অহোংবা লাকপা মরম্না ব্রেষ্ট কেন্সর অমসুং প্রোষ্টেট কেন্সরগী রিস্ক ৱাংই হায়রি।

ষ্টদিগী রিপোর্ট অসিদা য়ুম্ফম ওইরগা কেন্সর ঙাকথোক্লবা থৌরাং লৌখৎপদা চাউনা মতেং ওইনরগনি হায়না ইন্টরনেসনল জর্নেল ওফ কেন্সরদা ফোঙলকপা ষ্টদিগী রিপোর্টতা বার্সেলোনা ইনষ্টিট্যুট ওফ গ্লোবেল হেল্থকী মেনোলিম কোভিনাসনা ফোঙদোকখি।



মতমগী অওনবা মতুংইন্না ঙসিগী মীরোল অয়াম্বা তুম্বা চাবা মতম নাইরক্লে। কা হেন্না মথৌ চিনবদগী অয়ুক্কী চাক চাহৌদবা নৎত্রগা নুমীদাং থেংনা চাক চাবগী মওং অমা ময়েক শেংনা উবা ফংলি। অয়াম্বা মতমদা ফমজিনদুনতা লৈবগা লোয়নন তুম্বগী মতমসু নাইরক্লে। পুম্নমক অসিনা হকশেলদা চাউনা অকায়বা থোকহনবগী ফীভমদা লাক্লে।

তোঙান তোঙানবা কেন্সর মখলশিংগী মনুংদা খ্বাইদগী তোয়না নাগনবা কেন্সর মখলদি নুপাদনা প্রোষ্টেট কেন্সর অমসুং নুপীদনা ব্রেষ্ট কেন্সরনি। প্রোষ্টেট অমসুং ব্রেষ্ট হায়বসি তোঙান তোঙানবা কয়াৎশিংনি। এনাটোমি খেন্নবগা লোয়নন মথৌসু খেন্নৈ। কয়াৎ অনীমক শেমগৎপদা গোনেদেল ষ্টেরোইদ মথৌ তাবা মরম্না বাইওলোজিকেল ওইবা মওংদা কয়াৎ অনীগী মান্নবা কয়ামরুম লৈ।

অমরোমদা, রোজৱেল পার্ক কেন্সর ইনষ্টিট্যুটকী ডা. কেভিন লিং অমসুং মহাক্কী কাঙবুনা চথখিবা ষ্টদিগী রিপোর্ট অমনা হায়, নুপীনা মীরোল্লিঙৈদা মৈখু শীজিন্নরবদি পোক্লক্কদৌরিবা মচাদা ব্রেষ্ট অমসুং ওভারিয়ন কেন্সরগী রিস্ক হেনগৎলকই। নুপা ওইরবসু, নুপীবু ওইরবসু মৈখু শীজিন্নবা হায়বসি য়াম্না ফৎতবা থৌওং অমনি। অদুম ওইনমক নুপীনা মীরোল্লিঙৈদা মৈখু শীজিন্নবনা অমুক্কা হেন্না খুদোংথিনিংঙাই ওই হায়না ‘হ্যুমেন রিপ্রদক্সন’ জর্নেলদা ফোঙলকপা ওষ্ট্রেলিয়ন নেসনল য়ুনিভর্সিটিগী ষ্টদি অমগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি।

রিপোর্ট অদুনা হায়খি, মীরোল্লিঙৈদা মৈখু শীজিন্নবা নুপীশিংনা পোক্লকপা মচানুপী পুম্নমক মতম ঙন্না থাগী খোঙকাপ লাকই। চহী নৌনা থাগী খোঙকাপ লাক্লবদি কেন্সরগী রিস্ক ৱাংখৎলকই। ইষ্ট্রোজেননচিংবা হোর্মোনদা কা হেন্না এক্সপোজ তৌবা মরম্না ওভ্যুলেসন সাইকলগী মশিং হেনগৎলকই অমসুং কেন্সরগী রিস্ক ৱাংখৎলকই হায়না ওষ্ট্রেলিয়ন নেসনল য়ুনিভর্সিটি (এ এন য়ু) গী ডা. এলিসন বেহিনা ফোঙদোকখি।

এ এন য়ু স্কুল অর্কিওলোজি এন্দ এন্থ্রোপোলোজিগী বাইওলোজিকেল এন্থ্রোপোলোজিষ্ট ডা. বেহিনা হায়খি, মীওইবনা ওইরক্কদবা মওং মতৌ অমদি কয়াৎ ফবা ফৎতবগী ফীভম পুম্নমক মমাগী পুক্নুংদা লৈরিঙৈদগী শেম্লকখ্রবনি। মমানা মৈখু শীজিন্নবগা লোয়নন অয়াম্বা মতমদা পূক্নিং-ৱাখল লাংতক্নদুনতা লৈরবদি মচাগী হকশেলদা য়াম্না চাউনা অকায়বা থোকহল্লি। নুপীনা মীরোল্লিঙৈদা মৈখু শীজিন্নবগী অতৈ খুদোংথিনিংঙাই ওইবা থৌওংশিংদি পোক্লক্কদৌরিবা অঙাংগী অরুম্বা শুদবা, লংস কেপাসিটি হন্থবা, অজমা অমসুং ওবেসিটিনচিংবনি।

ওষ্ট্রেলিয়ন ইনষ্টিট্যুট ওফ ফেমিলি ষ্টদিজ অমদি ওষ্ট্রেলিয়ন ব্যুরো ষ্টেটিষ্টিক্সনা নুপীমচা ১৫০০ দা চথখিবা ষ্টদিগী দেটা কুপ্না নৈনরবা মতুংদা ডা. বেহিগী ৱাফম অসি ফোঙদোরকপনি।

মহাক্না হায়খি, ফনা য়াম্না খুদোংচাদবা মায়োক্লরবসু মীওইবনা তুম্বা চাবা মতম নাইবগা লোয়নন চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌদুনা মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চারবদি হকশেলদা য়াম্না চাউনা কান্নবা ফংই। পুন্সি মহিংগা মরী লৈনবা দাইবেটিস, ব্লদ প্রেসর ৱাংবা অমদি কেন্সরনচিংবা লায়না কয়াসু ঙাকথোকপা ঙম্মী।

# কম্প্যুটর এদ্যুকেসন ক্লাস হাঙদোকখ্রে



ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১ (ঐচ এন এস): য়াইঙংপোকপীদা লৈবা গুদৱিল খৃষ্টিয়ন হায়স্কুলগী স্কুল মেনেজিং কম্মিটিনা শীন্দুনা স্কুল অসিগী ওইবা কম্প্যুটর এদ্যুকেসনগী ক্লাস হাঙদোকপগী থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

গুদৱিল খৃষ্টিয়ন হায়স্কুলগী চেরোল অমনা হায়, ক্লাস টুদগী টেন ফাওবগী ওইবা কম্প্যুটর এদ্যুকেসন ক্লাস হাঙদোকপগী থৌরম অদুদা ওল ইনিদয়া য়ুথ ফেদরেসন (এ আই এস এফ) মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী সেক্রেটরি কেঐচ রামেশ্বরনা চীফ গেষ্ট অমসুং স্কুল অসিগী প্রোপ্রাইটর বি কে শান্তি অমসুং স্কুল অসিগী প্রিন্সিপাল ভি সিমিওন্না গেষ্ট ওফ ওনরশিং ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগী চীফ গেষ্ট ওইখিবা কেঐচ রামেশ্বরনা হায়খি, হৌজিক্কী মতমদা কম্প্যুটর এদ্যুকেসন অসি চঙদ্রবা য়াদ্রবা পোৎশক অমা ওইরে। লম্লাই এ সীগী মনুংদা কম্প্যুটর এদ্যুকেসন হাপ্পা স্কুল অসি গুদৱিল খৃষ্টিয়ান হায়স্কুল, য়াইঙংপোকপীনা ওইরে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

## হুয়েন লানলোং নুমিৎ পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১ (ঐচ এন এস): হুয়েন লানলোংগী নুমিৎ হায়না লাউথোকখ্রবা ওগষ্ট ৭ তা অপুনবা মণিপুর হুয়েন লানলোং লুপকী মপোক কুমওন থৌরম পাঙথোক্লগনি হায়না লুপ অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি সলাম শ্যামোনা থোকপা চেরোল অমনা হায়রি।

থৌরম অসিদা লৈবাক্কী থাক্তা এৱার্দ পীবা, ব্লদ দোনেসন, থাঙ-তাগী খুৎশু-খুৎলাই মতেং পাংবনচিংবা থৌরমশিং লৈবনা নুমিৎ অসিদা জেনরেল ষ্ট্রাইক/বন্দনচিংবা তৌবীদনবা মরী লৈনবশিংদা খঙহঞ্জরি। নুমিৎ অসি হোংফদ্রবা নুমিৎ ওইখ্রবা মরম্না মীয়াম্না খন্থবীরগা লুম্না লৌবীয়ু হায়রি।

মপোক কুমওন থৌরম নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা থা অসিগী ৫ দা পেন্টিং কম্পিটিসন পাঙথোক্কদবা মরম্না নুমিৎ অসিদসু অয়েৎ অপন পীবীগনু অমদি মতেং পাঙবীয়ু হায়না অপুনবা মণিপুর হুয়েন লানলোং লুপকী চেরোল অদুনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## এমিপকোগী ব্রাঞ্চ হাঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১ (ঐচ এন এস): ওল মণিপুর য়ুথ প্রোটেক্সন কম্মিটি (এমিপকো) গী হেদ ওফিসতা হৌখিবা জুলাই ৩১ গী নুংথিলদা কম্মিটি অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট শ্যাম খুমন্না প্রিসাইদ তৌদুনা পাঙথোকখিবা মীফম অমনা এমিপকো ইম্ফাল ইষ্ট ব্রাঞ্চ শেমখ্রে।

ব্রাঞ্চ অসিগী মীওই ২১ না শাবা ইগজিক্যুটিব কম্মিটি অমা শেমখিবগা লোয়নন এলাংবম রোমেদিবু প্রসিদেন্ট, শিজকুরুময়ুম শ্যামবু জেনরেল সেক্রেটরি, চনমথাবম বিদ্যাসুন্দরবু ফাইনান্স সেক্রেটরি অমসুং থাংজম কেশোরজিৎবু মীদিয়া এন্দ পব্লিসিটি সেক্রেটরি খনখ্রে হায়রি।

## কংলা ঈখোং ফাৎপগী থৌরম পাঙথোক্কনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১ (ঐচ এন এস): চহী খুদিংগী পাঙথোকপা লৈবাক নিংথৌগী মশিলগী মনুং চন্না কংলা ঈখোং ফাৎপা, পাখঙবা মিরেল উরোং হোংবা অমসুং পাখঙবা মীকোল চঙবগী থৌরম থা অসিগী ৪ দা উত্রা শঙলেন সনা কোনুংনা শীন্দুনা পাঙথোক্কনি হায়রি।

উত্রা শঙলেন সনা কোনুংগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি লৌরেম্বম অজিৎ মৈতৈনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, নুমিৎ অসিগী অয়ুক্তা কংলা ঈখোং ফাৎপগী থৌরম পাঙথোক্কনি। থৌরম অসি কংলাগী শন্থোংগী চিথেক লৈপনগী মনাক রাজ ভাবন গেটকী মমাংদা লৈরিবা ইমা লৈমরেল শিদবীগী লোক্তাক মরু নৎত্রগা নোংহুমশঙ হায়না খঙনবা মফম অসিদা কংলা শেংদোকপা হায়দুনা ইমা লৈমরেল শিদবীগী মফমদা থৌনিগনি।

মতুংদা পাখঙবা মীরেল উরেন হোংবা কংলা উক্রোং হোংবা হায়নসু খঙনবা থৌরম অসি কংলা উত্রা মমাংদা উজাও কারোং লোঙবা অমা য়ুংদুনা চেঙ হৈদুনা ইবুধৌ পাখঙবগী মফমদা লৈবাক চাকহোংনবগী পাঙথোকপা থৌরমনি।

অহুমশুবা থৌরম ওইনা নুমিৎ অসিগী অহিং নোংয়াই মতুংদগী হৌরগা চীংখৈ ফিতুপ হুল্লকপগী মতম ফাওবগী মনুংদা পাখঙবা মীকোল চঙবা হায়বা থৌরম পাঙথোকপনি। মতম অসি ইবুধৌ পাখঙবনা মালেম শীনবা থুংনা য়েৎশিন্দুন অফ-ফত্ত কয়া শেমজিনবিরগা কংলাদা হল্লকপা মতমনি। মতম অসিদা নিংথৌগী ফম্বাল লেঙদনা পানবীদুনা নিংথৌগী মচা-মনাই ওইবা পুম্নমকপু ফত্তবা পুম্নমক ঙাকথোকপীনবগী থৌরমনি।

অহিং নোংয়াই মতুংদা পাউনম হিদেনদা মৈ চংদবা অথুম-অহাও মরম মঙা তোৎতুনা কোনয়াই থাদুনা অমাইবনা তুরেলদা থজিন য়ৌনা কুমদুনা পাখঙবা মীংখৈ শোন্দুনা মীকৌরোল তৌগনি অমসুং ইরুপ্পুনা খয়োম লাক্কনি।

থৌরম অসি লৈবাক নিংথৌ অমদি অঙম অথৌ য়াওনা শঙ অহুমগী অমাইবা য়াওনা পাঙথোক্কনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তারি।

# মণিপুর পিপল বিলগী অশোয়বশিং শেমদোকহৌদ্রবদি য়েলহৌমীগী লায়বক থিবা হায়বদু ওইগনি: জদুমনি

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১ (ঐচ এন এস): মণিপুর ষ্টেট এসেমব্লীদা হৌখিবা জুলাই ২৩ দা পাস তৌখিবা দি মণিপুর পীপল বিল নম্বর ১০, ২০১৮ তা ইন্ত্রি ইন টু এন্দ এক্সিট ফ্রোম মণিপুর ফোর নন মণিপুরী পীপল হায়বসি ৱি সপোর্ট আই এল পি এস য়েলহৌমীনা শৌগৎলি হায়না ফোঙদোরক্লি।

ৱি সপোর্ট আই এল পি এসকী কনভিনর সাপমচা জদুমনিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, বিল অসি আই এল পি সিষ্টেমগী মনুংদা য়াওগদবা মচাক য়াওদবা মকুগী বিল ওইরে। মসিদা ব্যুজিনেস সেক্তর, ইমপ্লোইমেন্ট সেক্তর, এদ্যুকেসন সেক্তর অমদি লেন্দ ওনর পোলিসিনচিংবা য়াওদ্রে। বিল অসিগী সেক্সন ২ গী ক্লোজ ৱানদা পল্লিবা ১৯৫১ গী মমাংদা লৈরম্বা মীতোপ, নেপালি, বিহারি, বেঙ্গলি, মুসলিম, মরৱারি, জেন, শিখ, ম্যানমারি অমসুং মদ্রাজিনচিংববু মণিপুর পীপলনি হায়না লৌবসি লানগনি। অসামদা লৈবা মণিপুরীশিংবু অসাম গভর্নমেন্টনা অসামিজনি হায়না লৌদে। মহারাষ্ট্রদা লৈরিবা অতোপ অতোপ্পা ফুরুপশিংবু মরাথিনি হায়না লৌদে। মণিপুর পীপল হায়বগী মহুত্তা মণিপুরদা লৈবা ইন্দিয়ন সিটিজন হায়গদবনি।

খঙমিন্নবা য়াবা অমনা মণিপুরগী রাজ দরবারনা মখোয়বু মণিপুর পীপলনি হায়না খক লৌখিদে। মখোয়দগী মখল কয়াদগী ফোরেন্নর টেক্স লৌদুনা থল্লম্বনি। হায়রিবা সেক্সন ২ ক্লোজ ৱানদা য়াওরিবা সেদ্যুল্ড ত্রাইব এইদ লিষ্টেট অন্দর কন্সটিট্যুসন (সেদ্যুল্ড ত্রাইবস) ওর্দর ১৯৫০ এন্দ সেদ্যুল্ড কাষ্ট এন্দ সেদ্যুল্ড ত্রাইব ওর্দর (এমেন্দমেন্ট) এক্ট ১৯৫৬ ৱিট দি কন্সটিট্যুসন সেদ্যুল্ড ত্রাইব ওর্দর (এমেন্দমেন্ট) এক্ট ২০১১ অসিদা য়াওরিবা সেদ্যুল্ড ত্রাইব লিষ্টনা পীরিবা অসিদা অঙ্গামি, রালটে, সেমা, সিমটে, সুটে অসি মণিপুর পীপলনি করম্না হায়গদৌরিবনো হায়না হংলক্লি।

মরম অদুনা কুমজা ২০১১ সেদ্যুল্ড ত্রাইব (এমেন্দমেন্ট) বিলদা রোংমৈ, লিয়াংমৈ, জামে য়াওরি। অদুগা করম্না অমুক কাচা নাগা হায়বসি য়াওরিবনো হায়না হংলক্লি। অতোপ্পা অমনা বিল অসিদা ইনপুই ফুরুপ হায়না য়াওরিবসি মণিপুরগী করম্বা মফমদা লৈবগে। লিষ্ট অসিদা য়াওরিবা এনি মিজো নৎত্রগা এনি কুকি হায়বসি করম করম্বা য়েলহৌ ফুরুপ ওইগদৌরিবনো হায়নসু হংলক্লি।

হন্দক্কী বিল অসি শেমদোকহৌদবা তারগদি মালেমদা লৈরিবা মিজো ত্রাইব খুদিংমক অমদি মালেমদা লৈরিবা কুকি ক্রোর অমরোম হেনবা অসি ঐখোয়গী য়েলহৌমী ওইনা লৌশিনগদরা হায়নসু হংলক্লি।

কন্সটিট্যুসন (সেদ্যুল্ড কাষ্ট) ওর্দর ১৯৫০ দগীনা কুমজা ২০১৭ গী ওক্তোবর ২৬ ফাওবগী অপদেটতা ধুপি, ধোবি, লোইজ, মুচি, রানিধার, নামাসুত্র, পাত্রী, সুত্রধর অমসুং য়াইথিবীনি হায়রি। মসিদা য়াইথিবী, লোইজ নৎতনা অতৈশিং অসি করম্না লমদম অসিগী সেদ্যুল্ড কাষ্টনি হায়না লৌগদৌরিবনো। মীতোপশিং অসি করম্না বিল অসিনা মণিপুরীনি হায়না কোনশিল্লীবনো হায়না হংলক্লি।

বিল অসিগী সেক্সন টু (দি) দা চীফ রেজিষ্ট্রেসন ওথোরিটি খল্লি। সেক্সন থ্রি (ৱান) দা হোম সেক্রেটরি টু দি ষ্টেট ওফ মণিপুরবু চীফ রেজিষ্ট্রেসন ওথোরিটিগী রাইট পীরি। মসিদা ঙসি ঙসিমকসু মীতোপনা হোম সেক্রেটরি ওইরি। মরম অদুনা য়েলহৌমী কনবগী ওথোরিটিসি য়েলহৌমীনা ওইগদবনি হায়রি।

বিল অসি তুংলমচৎকী য়েংলগা শেমদবগী মমী চাউনা তাই। মরমদি, বিল অসিগী প্রোভিজনদা মীতোপ্পা লম লৈবা য়াবগী অয়াবা সেক্সন ১১ দা য়াওরিবা অসিনা তাকই। মীতোপ অমনা লম লৈবা মতমদা দিষ্ট্রিক্ট কাউন্সিল ইন দি হিল এরিয়াজ এন্দ সেঙ্কসন ওফ দি গভর্নমেন্ট ওফ মণিপুরগী অয়াবা লৌগদবনি হায়বা ৱাফম পল্লি। ৱি সপোর্ট আই এল পি এসনা থম্নিংলিবদি সেক্সন অসিদা পল্লিবা ওথোরিটি অনী অসি তুংলমচৎতা মীতোপ্পা পায়রগদি মণিপুরগী মফম খুদিং মীতোপ্কী মখুত্তা তারোইদ্রা। মীতোপ্পা পাইরোই হায়বা লৈতে। জিরিবামদা মীতোপ্পা হৌজিক এম এল এ ওইরক্লিবা অসি কনানা থাজরম্বনো। মথংদা নেপালিনা এম এল এ ওইরকপা থিংহৌদ্রবদি অসুম অসুম মীতোপকী খুৎতা তারক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। মদুগীদমক্তা কিনিঙাই লৈতে হায়না ফোঙদোরক্লি।

অমরোমদা ৱি সপোর্ট আই এল পিনা থল্লিবা ৱাফম অসি তুংলমচৎকী য়েংলগা শেমদোক্লবা থল্লিবনি। শেমদোক্তনা নমদুনা পাস তৌবা লোয়নন এক্ট ওল্লক্লবদি মণিপুরগী য়েলহৌমীগী লায়বক থিবনি হায়না মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# এন ঐচ ৱান শেম্নবা ফোর লেনগী লম্বী ওইহনবদা লিলোং কৈথেল মাঙহনবীগনু: এসোসিএসন

ইম্ফাল, ওগষ্ট ০১ (ঐচ এন এস): এন ঐচ নম্বর ৱান শেমগৎপদা মওং মরিল তানা পংপাক্তা পাকহন্দুনা লিলোং কৈথেল অসি মুৎখিগদবদগী কনবীনবা মরী লৈনবশিংগী পুক্নিং চিংশিল্লি হায়না লেন্দ ওনর এসোসিএসন লিলোং কৈথেল, লিলোং বজার সোপ কীপর ৱেলফেয়র কোওপরেটিব সোসাইটি অমসুং লিলোং বজার ভেন্দর দিভলপমেন্ট এসোসিএসনগী অপুনবা মীফম্না য়াম্না কুপ্পা খন্নরবা মতুংদা ৱারেপশিং অসি লৌখ্রে হায়রি।

লেন্দ ওনর এসোসিএসন লিলোং কৈথেলগী প্রসিদেন্ট এম দি জৈনুলাবুদ্দিননা থোকপা চেরোল অমনা হায়, লিলোং থোঙদগী হৌরগা প্রোপর লিলোং কৈথেলগী মফমশিংদা ময়াইদগী ফুট ৫০/৫০ দগী হেন্না পীদবশিং গভর্নমেন্টনা নম্ফুদা ফোর লেন্দ রোদ অমা ওইবদা মতিক চানা ফঙলবা ফুট ৫০/৫০ হেন্না লৌশিন্নবা থৌরাং তৌরক্লবদি অকনবা খোঙজং চঙশিনবা হায়না ৱারেপ লৌখি।

মী কুংনা তাবা মফম, ত্রেদ সেন্তর অমদি মার্কেটশিংদা শা-ষণ চৎনবা লম্বী পাকথোকহন্দুনা সিটিশিং মাঙহন তাকহনবদা অয়াবা পীদবা হায়নসু ৱারেপ লৌখি হায়রি। সিটি ফাওদুনা চৎলিবা লম্বীশিংদা ফোর লেন রোদ শেমগৎপগী মহুত্তা বাই পাস রোদশিং শেমগৎপীনবা মরী লৈনবা ওথোরিটিশিংদা খঙহনবা হায়নসু ৱারেপ লৌখি অমসুং ৱাংজিং কৈথেল কন্নবগীদমক লম্বী পাকথোকপদা নাকল অমত্তদা লম লৌশিনবা অমসুং থৌবাল কৈথেল কন্ননবগীদমক্তা নাক য়েৎতা ফুট ৫০ খক্তা লৌরগা লিলোং কৈথেল খক্তদা নাক য়েৎতা ফুট ৬২.৫০/৬২.৫০ লৌনবা থৌরাং তৌরিবা অসি অতম্না লিলোং কৈথেল মুৎখিনবা থৌরাং তৌবা কনাগুম্বা মীওই খরা লৈরব্রা হায়বগী চিংনবা ফাওরে।

গভর্নমেন্টকী ওর্দর য়াওদনা লম লৌশিনবগী থৌওংশিং তৌহন্দবা হায়নসু মীফম অদুনা য়ানখি লোয়নন লিলোংদগী ৱাংজিং ফাওবগী শেমলিবা য়ুনাইটেদ এক্সন কম্মিটিনা চঙশিল্লকপা খোঙজং খুদিংমক্তা লেন্দ ওনর এসোসিএসন লিলোং কৈথেল, লিলোং বজার সোপ কীপর ৱেলফেয়র কোওপরেটিব সোসাইটি অমসুং লিলোং বজার ভেন্দর দিভলপমেন্ট এসোসিএসন্নসু শরুক য়াবা হায়বা ৱাফমসু লেপ্লখ্রে।

